
### ধর্ম্মশালাগী ইন্দো-পাক অনীগী মেচতা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স শীজিন্নগদৌরি

# পাকিস্তান সিক্যুরিটি টিমনা ইন্দিয়ানা লৌখৎলিবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং য়েংশিন্দৌরি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৫ ঃ ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গী মার্চ ১৯ দা ইন্দিয়া-পাকিস্তানা অনীনা ধর্ম্মশালাদা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিগীদমক সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং শীজিন্নগনি হায়না ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, হিমাচল প্রদেশকী ধর্ম্মশালাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া-পাকিস্তান মেচকী মতাংদা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা খোঙথাং ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফনা লৈবাক অদুগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চৌধুরি নিসার আলিদা মেচ অসিগী মাঙওইননা সিক্যুরিটি টিম অমা ইন্দিয়াদা থানবা খঙহনখ্রে।

ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি, করিগুম্বা হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরনা সিক্যুরিটি ফোর্স পীবীনবা হাজরক্লগদি ঐখোয়না পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারি ২ দা থোকখিবা পথানকোট টেরর এটেক্কী লাইবক থীবা থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা হিমাচল প্রদেশকী এক্স সার্ভিসমেনশিংনা ধর্ম্মশালাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা ইন্দিয়া-পাকিস্তান অনীগী মেচকী মায়োক্তা লৈরকখিবদগী মেচ অসিগী মতাংদা চয়েৎনবশিং লাকখিবনি।

লোয়ননা হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা চেরোল থাদুনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা মেচ অসিগীদমক সিক্যুরিটি পীবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকপা লৈশ্রবনি।

ৱার ভেটেরানশিংনা ইন্দো-পাক অনীগী মেচ ধর্ম্মশালাদা পাঙথোকপা পামদে হায়বা ৱাফম চীফ মিনিষ্টরনা থল্লদুনা মখোয়না মেচশিং পাঙথোকপগী মায়োক্তা লৈতে। মখোয়না শুপ্নতগী পাকিস্তান টিমনা হিমাচল প্রদেশতা শান্নবা অদুগী মায়োক্তা লৈবখক্তনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হিমাচল প্রদেশকী ধর্ম্মশালাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া-পাকিস্তানগী মেচকী মতাংদা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা খোঙথাং ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফনা লৈবাক অদুগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চৌধুরি নিসার আলিদা মেচ অসিগী মাঙওইননা সিক্যুরিটি টিম অমা ইন্দিয়াদা থানবা খঙহনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফনা ইন্দিয়ানা মেচ অসিগীদমক লৌখৎলিবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং অদু য়েংশিন্নবা সিক্যুরিটি টিম অমা হান্না থানবা খঙহল্লদুনা পাকিস্তানগী টিমনা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ দা শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বসি সিক্যুরিটি টিম অদুনা পীখৎলকপা ৱারোলগী মখা পোন্না লেপকনি হায়রি।

নৱাজ শারিফনা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চৌধুরি নিসার আলিদা দিল্লিদা লৈরিবা পাকিস্তান হায় কম্মিস্নারগা অকুপ্পা পাউ ফাওনদুনা পাকিস্তান টিমগী চপ চাবা সিক্যুরিটি পীনবগী মতাংদা মথৌ তাবশিং লৌখৎনবসু খঙহনখি।

# পাকিস্তান টিমদা হোংদোক হোংজিন তৌগদৌরি, সহিদ অফ্রিদিনা মখা তানা টি ২০ গী কেপ্টেন ওইখিগনি

করাচি, মার্চ ০৫ ঃ

বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা এসিয়া কপ ২০১৬ তা পাকিস্তাননা নীংবা কায়না মপান থোকখ্রবা মতুং পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) গী প্রসিদেন্ট শহায়র্র খাননা মথং চয়োলদগী ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গী মাঙওইননা লৈবাক অদুগী টিমদা হোংদোক হোংজিন তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



পি সি বিগী প্রসিদেন্ট শহায়র্র খাননা লাহোরদা হায়খি, আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ হৌদ্রিঙৈ মমাঙদা লৈবাক অসিগী নেসনল টিমদা শুংশোয় শোয়দনা অহোংবা লৈরগনি। এসিয়া কপতা পাকিস্তান প্লেয়রশিং অফবা পাফোর্মেন্স উৎখিদবা অমদি অতেনবা মখলগী মশান্না অসিদা নীংথিনা শান্নবা ঙমদবা অসিদা অহকপা মীৎয়েং চঙবা হৌরে। পাকিস্তান টিমনা হঞ্জিন হঞ্জিন মায়থিদুনা মশক থোকপা পাফোর্মেন্স উৎপা ঙমদ্রিবা অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগসু ৱারী শান্নরে। পাকিস্তানগী টেষ্ট কেপ্টেন মিসবাহ উল হখকা টেলিফোনদা ৱারী শান্নবদা নত্তনা য়ৌনিস খানগসু উনদুনা মীফম পাঙথোক্লবা খঙহনখ্রে। মখোয় অনীনা বোর্দকী এদভাইজর ওইনা লৈরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাকিস্তান টিমনা এসিয়া কপতা উৎখিবা অনেম্বা পাফোর্মেন্স অদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু হায়নিংঙাই লৈতনা নীংবা কায়হল্লে। মীয়াম্না নীংবা কায়খিবা অদুগুম ঐখোয়দসু চপ মান্ননা ফাওখি। টিমনা মায়থীখিবা অদু থিদোক্লবগী মথৌ তাদ্রে। টিমদা প্লেয়রশিং হোংদোক হোংজিন তৌদুনা অফবা টিম অমনা ওইহনবনা হেন্না মথৌ তারে হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শান্নখিবা এসিয়া কপকী মেচতা বংলাদেশনা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা কপ অসিগী মপান থোকহনখিবনি।

পাকিস্তান ক্রিকেটপু হেন্না ফগৎহন্নিংবগী অপাম্বা অদু থল্লদুনা এসিয়া কপতা করি অশোয়বা লৈবদগী টিমনা ঙন্না মপান থোক্লকখিবনো হায়বগী মতাংদা টিম এদমিনিষ্ট্রেসনবু ৱাহং পাউহং তৌগনি। মসি মখোয়গী দাইত্বনি হায়না অশায়র্র খাননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হৌজিক বংলাদেশতা চথরিবা এসিয়া কপতা পাকিস্তান নেসনল টিমনা অশোনবা পাফোর্মেন্স উৎখিবদগী টিম কেপ্টেন সহিদ অফ্রিদিবু মফম লৌথোক্লবা মীয়াম্না ফোঙদোক্লুরকখ্রবসু পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) না অফ্রিদিবু মখা তানা কেপ্টেনগী থৌ পুহনবা পাল্লি।

পি সি বিগী প্রসিদেন্ট শাহয়র্র খাননা হায়, ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ দা সহিদ অফ্রিদিনা মখা তানা টিমগী কেপ্টেন ওইনা থৌ পুখিগনি।

ৱর্ল্ড টি ২০ লোইদ্রিবা ফাওবদি মহাক্লা মখা তানা টিমগী কেপ্টেন ওইখিগনি। ৱাফম অসিমক ঐনা সহিদ অফ্রিদিদা খঙহনখ্রে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# প্রো-বোক্সরশিংনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারবা য়ারি



জেনেভা, মার্চ ০৫ ঃলাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতগী মালেমগী প্রোফেসনেল বোক্সরশিং শরুক য়াহন্নবা মশান্না অসিগী মালেমগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা এ আই বি এনা থবক থৌরমশিং পায়খৎখ্রে।

বোক্সিং মশান্নদা এমেচর অমদি প্রোফেসনেল হায়দুনা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংদা লাকখিবা অদু লোইশিলহন্নবগী পান্দমদা এ আই বি এগী কনফিদরেসনশিংনা অমত্তা ওইবা য়ানবা অমা পুরক্তুনা প্রোফেসনেল বোক্সরশিংনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াহনগদ্রা নৎত্রগা য়াহল্লোইদ্রা হায়বদুগী চপ চাবা ৱারেপ কয়া লৌগদৌরি। এ আই বি এগী প্রসিদেন্ট চিং কো-ৱুনা মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা এ আই বি এগী মীফম য়াওনা মমাঙদগী হঞ্জিন হঞ্জিন প্রোফেসনেল বোক্সরশিংনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াহনবা খক্তনা মশান্না অসিগী অশেংবা মশক অদু উবা ফংগনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

চৎলিবা চহী অসিগী মে ৩০ নৎত্রগা ৩১ দা পাঙথোকপা য়াই হায়না লৌনরিবা কোংগ্রেস মীফমনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াহনবা নৎত্রগা য়াহন্দবা হায়বসি লৈবাক লৈবাকশিংগী নেসনল ফেদরেসনশিংনা ৱারেপ লৌজনবগী মতাংদা ভোট থাদনগনি হায়না প্রসিদেন্ট চিং কো ৱুনা ফোঙদোকখি।

রিও দি জানৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মর ওলেম্পিক্স গেমস ২০১৬ কী ক্বালিফাইয়িং প্রোসেস হৌখ্রবসু প্রোফেসনেল বোক্সরশিংনা রিওগীদমক ক্বালিফাই ওইবগী খুদোংচাবা লৈরি হায়না প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

মালেমগী মশান্না অসিগী কনফিদরেসনশিংনা অনৌবা খোঙথাং অসিদা শোয়দনা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লদুনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবগীদমক নেসনল ক্বালিফিকেসন গাইদলাইনশিং মপুং ফানা মায় পাক্লবা প্রোফেসনেল বোক্সরশিংদা অহেনবা খুদোংচাবা পীনবা মসিমক তৌফম থোকপনি হায়না প্রসিদেন্ট চিং কো ৱুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াগী শুটর জিটু রাইনা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপকী মিটর ৫০ গী পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

বেঙ্কোক, মার্চ ০৫ ঃ

ইন্দিয়াগী জিটু রাইনা মফম অসিদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপকী নুপাগী মিটর ৫০ পিষ্টোল ইভেন্টতা নিংথিনা কাপখিদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।



জিটুনা ফাইনেলদা পোইন্ট ১৯১.৩ লৌবা ঙমখি। হান্নগী ৱর্ল্ড অমদি ওলেম্পিক চেম্পিয়ন চিনাগী পাং ৱৈনা পোইন্ট ১৮৬.৫ স্কোর তৌদুনা সেকেন্দ পোজিশন তাখি। ওলেম্পিক মেদল্লিষ্ট চিনাগী ৱাং জিৱৈনা ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ১৬৫.৮ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিশন তাখি।

ইন্দিয়াগী প্রকাশ নঞ্জাপ্পানা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ৫৪৯ কাপ্পুনা ১৭ শুবা মফমদা লৈখি।

জিটুনা ক্বালিফাইয়িং সেরিজদা শুট ৬০ কাপ্পুনা পোইন্ট ৫৬২ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিশন তাদুনা ফাইনেল চঙখি। ৱৈনা টোপ ক্বালিফাইয়র নিপানগী খ্বাইগী মকোক্তা পোইন্ট ৫৬৪ লৌবা ঙমদুনা লৈখি অদুগা ৱাংনা পোইন্ট ৫৬৩ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈখি।

হয়েং নুপাগী মিটর ৫০ গী প্রোন অমদি মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল শান্নগনি। জিটুনা পিষ্টোল ইভেন্টতা মহাক্কী মেদল টেল্লি হেঙ্গৎহন্নবা আশা তৌরি অদুগা গগন নরং অমদি চেইন সিংহনা রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াবু লুচিংদুনা মেদল লৌনবগীদমক মিৎয়েং থল্লি।

# নুমিৎ মরিনি চুপ্না চথরকপা ষ্টেট লেভেল ফেষ্টিভেল ওফ থাঙ-তা লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৫ ঃ

হৈবোক নিংথৌ থাঙ-তা এসোসিএশন হিয়াংথাং তখেল্লম্বম্না মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর ন্যু দেল্লিগী মখাদা শিন্দুনা হৌখিবা তাং ২ দগী য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা হুইয়েন লাংলোন থাঙ তা এসোসিএশন মণিপুরগী শিন্দম শঙলেন্দা চথরকপা ষ্টেট লেভেল ফেষ্টিভেল ওফ থাঙ তা ২০১৬ ঙসি লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চুপ্না চথরকখিবা ষ্টেট লেভেল ফেষ্টিভেল ওফ থাঙ তা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হুইয়েন লাংলোন থাঙ তা এসোসিএশনগী এদভাইজর ৱাই ইবোচৌ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ তা এসোসিএশনগী সেক্রেটরি এস ঐচ টিকেন অমসুং হুইয়েন লাংলোন থাঙ তা একাদেমি য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী সেক্রেটরি ঐচ কিরন কুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থাঙ তা ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা থাঙ তাগী শিন্দমশঙ ১০ গী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা থাঙ তাগী তোঙান তোঙানবা কাঙলোনশিংদা অথোই অহেন তান্নখি অমদি থাঙ তা মহৈগী অকুপ্পা মরোলশিং নিংথিনা খঙ হৈরবা ওজাশিংনা থাঙ তাগী নুংগী ওইবা মহৈশিং তাকপী তম্বীখি হায়না হৈবোক নিংথৌ থাঙ তা এসোসিএশন হিয়াংথাংগী সেক্রেটরি এস ঐচ শ্যামানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।




HL-B/2100/05/03-4/04


# মহারাষ্ট্রনা মিজোরাম মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে, সার্ভিসেসনা রেলৱেজবু ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে

নাগপুর, মার্চ ০৫ ঃ

মহারাষ্ট্রনা য়ুম্বু ওইদুনা মসিগী এস ঈ সি রেলৱেজ ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৭০ শুবা সন্তোস ট্রোফি নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ইরাই নুমিত্তা শান্নখিবা পুল এগী মেচতা মহারাষ্ট্রনা মিজোরামবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা সার্ভিসেসনা রেলৱেজবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি। পুল এগী অহানবা মেচতা মহারাষ্ট্র অমদি মিজোরাম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। মহারাষ্ট্রনা মায়োক্লবা টিম মিজোরামগী মায়োক্তা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা গোল এটেম্পশিং তৌখি। মিজোরামসু গোল চন্ননবা মহারাষ্ট্রগী মায়কৈদা মতৎ মতৎ এটেকশিং তৌখি। অদুবু টিম অনীমক্লা ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদি গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা মহারাষ্ট্রনা য়াম্না টেম্পো লৈনা শান্নরকখি। মখোয়না মিজোরামগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৬৬ চৎপা মতমদা মোহম্মেদ সবাজনা য়ার্দ ৩০ লাপ্না শাফু কন্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা মিজোরামগী নেট মনুংদা চঙখিদুনা মায় পাকপগী গোল ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা সেমী ফাইনেল চঙবা টিম ওইখি। মেচ অসি মায় পাকখিবনা মহারাষ্ট্রনা থংনা থংননা মায়থীবা য়াওদনা অহুল্লক শুবা মায় পাকপসু ওইখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সার্ভিসেসনা রেলৱেজবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙনবগী খোঙ থাংজিনবা হৌখ্রে।

ঙরাংগী মেচ মায় পাকখিবনা সার্ভিসেসনা টুর্নামেন্ট অসিদা থংনা থংননা অনীরক মায় পাকপা ঙমখি। সার্ভিসেসকী গোল অদু বিপিন্না মেচকী মিনিট ১৪ চৎপা মতমদা চনখি। সেকেন্দ হাফ মতুং ইকুই কুইদনা রেলৱেজগী জগটারনা মেচকী ৫১ চৎপা মতমদা গোল অমা ইক্বেলাইজ তৌখি। সার্ভিসেসকী মায় পাকপগী গোল অদু মেচকী মিনিট ৬৭ চৎপা মতমদা বিবেক কুমারনা চনশিন্দুনা রেলৱেজবু মায়থীবা পীরমখি।

## জি বি মীফম য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ ঃ মণিপুর বোলিং এসোসিএশনগী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং মার্চ ৬ নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু খুদোংচাদবা লৈবদগী মতম কত্তুনা য়ৈথোক্লে হায়না এসোসিএশন অসিগী হনি সেক্রেটরিনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মীফম অসিগী নৌনা মতম অথুবদা লেপ্লক্তুনা খঙহল্লক্কনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মেচ ওফিসিএল হাপ্লক্লে


ইম্ফাল, মার্চ ০৫ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা) গী রেফ্রি অহুম্বু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) না মেচ ওফিসিএল ওইননবা হাপ্লক্লে হায়না এসোসিএশন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মেচ ওফিসিএল ওইনবা খল্লক্লবা রেফ্রিশিং অদুদি এল প্রিয়োবর্ত্ত সিংহ, রিনকাহাও বাসুম অমদি এন অজিৎ মীতৈনি। মখোয়না থা অসিগী ২৬ তা আইজোলদা পাঙথোক্কদবা মেচতা ওফিসিএল ওইগনি। মেচ ওফিসিএল ওইনা হাপ্লক্লবশিংনা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদবা মফমদা মেচ মাঙওইননা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না থোক্লকপা চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সভিটোলিনা, বৌচার্দনা মালেসিয়ন ওপনগী ফাইনেল চঙখ্রে





কৌলা লম্পুর, মার্চ ০৫ ঃ সেকেন্দ সীদ ইলিনা সভিটোলিনানা মফম অসিদা চথরিবা মালেসিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা য়ুজেনি বৌচার্দকা মায়োক্লদুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নরগনি।

ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১৯ শুবদা লৈরিবা সভিটোলিনানা চিনাগী লিন জুবু ওপন অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মশাগী চহী ২১ শুরবা উক্রেনিয়ন ইলিনা সভিটোলিনানা স্লোভাকিয়াগী ক্রিষ্টিনা কোকোভাবু ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীরমদুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৫২ বৌচার্দনা ব্রিটেনগী নাওনি দ্রোদিবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখি। মশাগী চহী ২২ শুরবী কনাদিয়ন বৌচার্দনা কুমজা ২০১৫ দা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স অমত্তা পীদনা লাকখ্রবা মতুং হন্দক্তা কম্পিটিশন্দা খোঙদারকখিবনি।

অমরোমদা, অনীশুবা সীদ ইলিনা সভিটোলিনানা শগোশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মালেসিয়ন ওপনগী ৱিমেন'স শিঙ্গলস মেচতা জপানগী রিসা ওজাকিবু ৬-১, ৩-৬, ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মশাগী চহী ২১ শুরবী উক্রেন অসিনা জপানিজ ওপোনেন্টবু মায়থীবা পীবদা পুং অনী চঙখি। ইলিনা সভিটোলিনানা মথংগী মেচতা স্লোভাকিয়াগী ক্রিষ্টিনা কুকোভাগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

ওপন অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা টাইৱানগী কাই চেন চাংবু টর্কিগী কাগলা বুয়ুকাকেনা ষ্ট্রেট সেটতা ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ময়ূম লমদম পাঙহনখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা টাইৱানিজ প্লেয়র অসিনা কম্পিটিশন অসিদা মঙলানগুম খোঙহৌ ফনা টোপ সীদ ইটালিগী রোবার্টা ভিন্সিবু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা চঙশিল্লকখিবনি।

বুয়ুকাকেনা মথংগী মেচতা তরুকশুবা সীদ কনাদাগী ইয়ুজেনি বৌচার্দকা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

মশাগী চহী ২২ শুরবী বৌচার্দনা কুমজা ২০১৫ দা মশক থোক্লা শান্নবা ঙমদনা লাকখিবদগী হন্দক্তগা কম্পিটিশন্দা থোরক্তুনা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্লা জপানগী কুরুমি নারাবু ৬-১, ৬-২ দা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙলকখিবনি।

অতোপ্পা মেচশিংগী ঙরাং শান্নখিবা সেকেন্দ রাউন্দদা ব্রিটেনগী নাওমি ব্রোদিনা চিনাগী জহাওজুআন য়াংবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি অদুগা চিনাগী লিন জুনা কজাখষ্টানগী জারিনা দিয়াসপু ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।